# জি ২০ সম্মিটতা ট্রম্পকা পুটিনগা অনীশুবা অরোনবা মীটিং অমা পাঙথোকখি : মীদিয়া রিপোর্টশিং

ৱাশিংটন, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

থা অসিগী অঙনবদা জর্মনিদা পাঙথোকখিবা জি ২০ সম্মিটকী নাকোইননা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা মীয়ামদা ফোঙদোকখিদবা অনীশুবা মীফম অমা পাঙথোকখি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

জি ২০ গী দিন্নর মনুংদা লূচিংবা অনীনা ৱা ঙাংনখি হায়বসি হ্বাইট হাউসনা কনফার্ম তৌখি তৌইগুম্বসুং মদুবু মখোয়নিগী অনীশুবা মীটিংনি হায়না ফোঙদোকপদি লানগনি হায়খি।

“প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমসুং প্রসিদেন্ট পুটিনগী মরক্তা অনীশুবা মীফম পাঙথোকখিবা লৈতে। শুপ্পগী দিন্নর লোইবদা অতেনবা মতমগী ওইনা ৱারী শানখি। হ্বাইট হাউসনা অনীশুবা মীটিং অমা লোৎশিন্নবা নৎত্রগা খঙহন্দনবা হোৎনখি হায়বা ৱাফম অসি লাল্লি, ফৎতবা ৱাখল চেনবা মাল্লি অমসুং মসি করিগুম্বা মওং অমৎতদা মরম চাদে হায়না হ্বাইট হাউসনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা ফোঙদোকখি। অনীশুবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীদিয়া রিপোর্টশিং ফোংনরকখিবা মতুংদা হ্বাইট হাউসনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মীদিয়া রিপোর্টশিং অদুনা মীটিং অদু পুংখায়মুক্কী ওইখি অমসুং মদু হান্না লেপখিবা সেদ্যুল অমগী মতুং ইন্না লূচিংবা অনীনা পুং অনীমখায় ৱারী শানখিবদুগী মথক্তনি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংদুনা ক্লেম তৌখিবনি।

‘মসি নোর্মেল থৌওং অমনি, ৱার্ল্ড লিদরশিংগা ইন্টরেক্ট তৌবা হায়বসি প্রসিদেন্ট অমগী মথৌশিংগী মনুং চল্লি। জি ২০গী মীফম মনুংদা অমসুং মহাক্কী অতৈ মপানগী খোঙচৎ খূদিংমক্তা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মালেমগী ফম্বাক্তা ঐখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং অমসুং ভেল্যুশিং চেনবা অশেংবা অমেরিকান লিদর অমগী মতৌ উৎখি হায়না হ্বাইট হাউসনা মীফম অদুবু শৌগৎলদুনা হায়খ্রে।

হ্বাইট হাউসনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, জি ২০ সম্মিটকী অহিং অদুদা অহানবদা, হমবর্গকী অনৌবা ওপেরা হাউসতা লূচিংবা খূদিংমক্কী কনসর্ট অমা লাংখি। ওপেরা হাউস মনুংদা চঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা লূচিংবশিংদু প্রেসনা ফোটো কাপখি।

খরা থেংজিল্লকপা মতমদা জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা থৌবু ওইদুনা লূচিংবশিংনা দিন্নর অমদা শরুক য়াখি। ফম্ফমগী এরেঞ্জমেন্টশিং জর্মন গভর্নমেন্টনা তৌখি। কনসর্ট অমসুং দিন্নর অদু প্রসিদেন্টগী সেদ্যুল অমসুং জি ২০ গী সেদ্যুল অনীমক্তা ইফোং ফোংনা লাউথোকখ্রবনি।

দিন্নর অদুদা প্রসিদেন্ট ট্রম্প জপানগী প্রাইম মিনিষ্টরগী লোয়নবী অমসুং অর্জেন্টিনাগী প্রসিদেন্টগী লোয়নবীগী মরক্তা ফমখি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী লোয়নবীনা প্রসিদেন্ট পুটিনগা থংননা ফমখি হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়খি।

দিন্নর মনুংদুদা লূচিংবা খূদিংমক্না কা অদুদা কোইনা চৎনখি অমসুং অমগা অমগা অফা-অপুন্নদনা ঙাংনখি হায়না হ্বাইট হাউসনা মফমদুদা থোকখিবশিংগী মতাংদা শন্দোক্লা লিরদুনা হায়খি।

মখা তারদুনা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি মদুদি, নুমিদাং অথেংবদুদা ট্রম্পনা লূচিংবা কয়াগা ৱা ঙাংনখি নৎত্রগা ৱারী শানখি। দিন্নর অদু লোইশিল্লকপা মতমদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ফার্ষ্ট লেদিগী মনাক্তা চঙশিনখি অমসুং মহাক্লা প্রসিদেন্ট পুটিনগসু ৱাহৈ খরা ঙাংনখি। মদু য়াম্না তেনবা মতমগী ওইননি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট পুটিনগা ৱারী শানবা মতমদা রশিয়ন ট্রান্সলেটর শীজিন্নখি।



# কাঙলূপকী ঈরাং থোকহনবগীদমক্তা হিজব উট-টাহরির ইন্দোনেসিয়ানা থিংজিনখ্রে



জকার্তা, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

প্রসিদেন্টনা থোকখিবা ৱাথোক ওইরবা ওর্দর অমগী মখাদা ইন্দোনেসিয়ানা হিজব উট-টাহরির গ্রুপ থিংজিনখ্রে। প্রসিদেন্সিয়ল দিক্রি অদুনা ওফিসলশিংবু লৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা অকায়বা পী হায়না খন্নবা ওর্গেনাইজেসনশিংবু থিংজিনবা নৎত্রগা মথৌ তৌহন্দবা ঙমই হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াদা ইস্লামিক লো চৎনহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিবু কলিফেট অমা ওইহন্নবা কেম্পেইন তৌরিবা হিজব উট-টাহরিরগী লিগল ষ্টেটস য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ককথৎখ্রে। খোঙথাং অসি ইন্দোনেসিয়াগী অমৎতা ওইবগী শক্তম কন্নবগীদমক্তা লৌখৎলিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিস এন্দ হ্যুমেন রাইটসকী ডিরেক্টর জেনরেল ফ্রেদি হরিনা ফোঙদোকখি।

গ্রুপ অসিনা গভর্নমেন্টগী অথিংবদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং ৱারেপতু কোর্টতা শিংনবনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টগী খোঙথাং অসি প্রসিদেন্ট জোকো ‘জোকোৱি’ ৱিদোদোনা সাইন তৌখিবা দিক্রি অমনা গভর্নমেন্টতা লৈবাক্কী অপূনবগী শক্তম অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা লৈবাক অমা ওইনা লৈবদা অকায়বা পীগদবা গ্রুপশিংবু থিংজিন্নবা পৱার মতিক চানা পীখ্রবা মতুংদা লাক্লিবনি।

মদু অওনবা পুরকপগী মতম অসিদা গভর্নমেন্টনা অহানবা ওইনা লোগী প্রোসেস অমৎতা য়াওদনা ওর্গনাইজেসন অমবু থিংজিনবগী থৌদোক্লি হায়না লিগল এক্সপার্ট রেফলি হরুননা ফোঙদোকখি।

‘প্রসিদেন্টগী দিক্রি হায়বসি লোগী প্রোসেস য়াওদনা গভর্নমেন্টবু গ্রুপ খূদিংমক থিংজিন্নবগী পৱার পীরিবা ব্লেঙ্ক চেক অমনি হায়না মহাক্না এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াদা থা কয়ামুক কাঙলূপ নাইবগী টেন্সন অমসুং প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্লখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা দিক্রি অদু থোকখিবনি। প্রোটেষ্ট খরদি হিজব উট-টাহরিরনা শিন-লাংখিবনি। মখোয়গী ঈরাংদুনা মরম ওইদুনা জকার্তাগী খৃষ্টিয়ন গভর্নর বামুকি ‘অহোক’ টজহাজ পুর্নামাবু ইস্লামগী মায়োক্তা থওই-উশিৎতবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা ঙাংব-গীদমক্তা চহী অনী জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি।

গভর্নমেন্টগী খোঙথাং অসি হকচিনবা ৱাখল্লোনশিং চেনবা ইস্লামিক ওর্গনাইজেসনশিংদা টার্গেট তৌবনি হায়না লৌনৈ অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা নীংতম্না পূনবদা অকিবা পোকহনবনি হায়না লৌনরি।

জকার্তাদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইস্লামিক গ্রুপশিংগী মেম্বর ২০০০ রোম্না ওর্দর অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। মখোয়না গভর্নমেন্টবু তৌনিংবতা তৌই অমসুং মীওৎ-মীনৈ অমসুং শুপ্পমগী থৌওংশিং চৎথৈ হায়না মরাল শিখি।

হৌখিবা মেদা গভর্নমেন্টগী ৱারোল অমনা হিজব উট-টাহরিরগী থবক থৌরমশিং ষ্টেটকী সেক্যুলর আইদিওলোজিগা চানদে অমসুং অদুগুম্বা থৌওংশিংদুনা সোসাইটিদা অমগা অমগা মুক্নবগী ফিভম লাকহল্লি হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা প্রসিদেন্টনা দিক্রি অদু থোকখিবা মতুংদা হিজব উট-টাহরিরগী মেম্বরশিংনা কনষ্টিট্যুসনেল কোর্টতা জুদিসল রিভিয়ু অমা পাঙথোকহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

# টেহরানগী বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈননা যু এসনা ইরানগী মথক্তা অনৌবা শেল-থুমগী অথিংবশিং থমখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

ইরানগী বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অচৌবা শেল-থুমগী ওইবা অথিংবা কয়া থমখ্রে।

অথিংবশিং অদু লাউথোক্লদুনা মিদল ইষ্টতা টেহরাননা পায়খৎলিবা ফৎত্রবা থবকশিং অদুনা ২০১৫ গী ইরানগী ন্যুক্লিয়র একোর্দ অদুদগী লাক্লিবা কান্নবা কয়া অরেম্বা তাহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোক্লিবা অসিনা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা ইরানদা অহেনবা প্রেসর পীবগা লোয়ননা টেহরান অমসুং মালেমগী পৱার তরুক্কী মরক্তা লৈরিবা এগ্রিমেন্টসু কায়হন্দনবা হোৎনৈ হায়বসি উৎলি। এগ্রিমেন্ট অদুগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লাকশিনবা, অদুগা অমরোমদা লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা মালেমগী থাউ অমসুং শেল-থুমগী অথিংবশিং লৌথোকপনি।

লোনা য়াদবা ইরানগী এক্টরশিং নৎত্রগা ট্রান্সনেসনেল ক্রিমিনেল এক্টিভিটি শৌগৎপা এন্টিটি অমসুং মীওই ১৮ দা টার্গেট তৌরি হায়না যু এস গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অথিংবা থল্লিবা এন্টিটিশিং অদুনা ইরানগী মিলিটরি নৎত্রগা ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোরবু দ্রোনশিং অমসুং মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট পুথোক্তুনা, হীশিং শাদুনা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মচাকশিং লৈদুনা নৎত্রগা ফংহন্দুনা মতেং পাংলি। অতৈ এন্টিটি খরনা যু এস অমসুং নোংচুপলোমগী সোফৱ্যের প্রোগ্রামশিং হুরগা ইরানগী গভর্নমেন্টতা য়োনবদা চেন্নৈ হায়না যু এসকী ট্রেজরি ডিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

মিদল ইষ্ট অপূম্বদা ইরাননা পায়খৎলিবা লমদম অসিগী মরা চেৎপা ফিভম, সিক্যুরিটি অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লিবা ফৎত্রবা থবকশিংবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লুনা লৌই হায়না ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়খি মদুদি, ইরাননা ন্যুক্লিয়র এগ্রিমেন্টবুদি ঙাক্লা চৎলি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা একোর্দ অদুগী চপ চাবা পান্দম ফংনবা হোৎনবদি ৱাৎলি অদুনা ৱাশিংটননা মদুবু চেৎশিলহন্নবগী পাম্বৈশিং থীগনি। চৈরকসিদা ইরাননা যু এসকী অনৌবা অথিংবশিং অদু লৈবাক মচা তাদবগী মতৌ উৎপা কান্নদবা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ব্রেক্সিটনা যু কেদা পীবা চৈথেং য়াম্না চাউগনি : লোমেকরশিং

লন্দন, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

ব্রেক্সিটনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংবু লিপুন অমনা চেৎনা পুনশিন্দুনা লৈমিন্নহনবদা মতেং পাংখিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লো লৌথোক্তুনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী তুংগী পুন্সিদা অচৌবা শিংনবা অমা লৈহল্লগনি হায়না বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টগী অপ্পর হাউসকী লোমেকরশিংগী ওইবা কম্মিটি অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীগী ই যু থাদোক্লবগী ভোট অদুনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী কনষ্টিট্যুএন্ট লৈবাক মরিগী মরক্তা টেন্সন লৈবগী ফিভম উৎখি। ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকপগী ৱাফম শৌগৎখি অমসুং স্কোটলেন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দনা য়ুনিয়ন অসিদা মখা তানা লৈনিংবা উৎতুনা ভোট পীখি।

রেফরেন্দম অদুনা মরম ওইদুনা স্কোটিস নেসনেলিষ্টশিংনা যু কেদগী নীংতম্না লৈনবগী ভোট অমা পাঙথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাউশিং ইনৌ নৌনা লাউনরকখি। মসিগা লোয়ননা স্কোটিস, ৱেলস অমসুং নোরদর্ন আইরিস গভর্নমেন্টশিংগী মেম্বরশিংনা ব্রেক্সিটকী নেগোসিয়েসনগী শেম-শাবদা নেসনেল গভর্নমেন্টনা মখোয়বু তান্নবীদ্রে হায়নসু কমপ্লেন তৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী তুংগী পুন্সিদা ব্রেক্সিটনা পীগদৌরিবা চৈথেং অদু য়াম্না চাউগনি, তশেংনমক করি থোক্লগদগে হায়বা খঙবা ঙমদবগী ফিভম লৈ হায়না হান্না বৃটেনগী ডেমোক্রেটিক সর্ভিসকী মকোক ওইরম্বা মাইকল জেনা হায়খি।

# লৈবাক্কী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবা চাইনাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মেম্বরশিংদা লাইনিং লাইশোন পূম্নমক থাদোক্লবা হায়খ্রে

বৈজিং, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

ৱাথোক ওইনিঙাই ওইরবা খোঙথাং অমদা চাইনাগী রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মসিগী মেম্বর মিলিয়ন ৯০ রোমদা পার্টিগী অমৎতা ওইবগী ফিভম কায়হন্দনবগীদমক্তা লাইনিং লাইশোন পূম্নমক থাদোক্লবা খঙহনখ্রে। লাইনিং লাইশোনদা থাজবা থম্বা হায়বসি কাদরশিংগী থবক্তা পনখৈ লৈনবগী মরমনি হায়রদুনা পার্টিগী ৱাফমসি ইন্দবশিং চৈরাক ফংগনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

চাইনাগী লাইনিং লাইশোনগী থৌরম পান্নরিবশিংগী মকোক্লা হিরম অসিগী মতাংদা হায়খি মদুদি, পার্টিগী মেম্বরশিংদা লাইনিং লম্বী নৎত্রগা লাইশোন তিনশোনদা থাজবা য়াবা মরম অমসুং ফজবা ভেল্যুশিং থীনবা হোৎনরোইদবনি অমসুং লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থাজবা লৈবশিংনা মখোয়দু থাদোক্কদবনি।

এক্সপার্টশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসিল মীদিয়ানা ঙসি হায়খি মদুদি, পার্টিগী ডিরেক্সন অসি পার্টিগী অমৎতা ওইবগী ফিভমদা অকায়বা লাক্তনবগীদমক্তনি।

পার্টিগী মেম্বরশিংনা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থাজবশিং থল্লোইদবনি। পার্টিগী মেম্বর খূদিংমক লাই-তিনদা থাজবা থমদবা ৱাখল চেৎপা মার্ক্সিষ্টশিং ওইগদবনি। মখোয়না পার্টিগী রুলশিং ইনগদবনি অমসুং পার্টিদা মপূং ফানা থাজবা থমগদবনি। মখোয়না লাইনিং লম্বীদা ফজবা ভেল্যু অমসুং ফজবগী মচাকশিং থীবা য়ারোই হায়না ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন ফোর রিলিজিয়স এফেয়র্স (এস এ আর এ) গী ডিরেক্টরনা সি পি সি সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ফ্লেগসিপ মেগজিন ক্যুসি জর্নেলদা ফোংবা আর্টিকেল অমদা ইখি।



# ইজরেলি খৃষ্টিয়ন নুপা ১ মুস্লিম অমগা নুংশি-নুংওনগী মরী লৈনৈ হায়বা মচানুপী হাৎপগী মরাল শিখ্রে

জেরুসালেম, জুলাই ১৯ (এজেন্সি ):

মুস্লিম নুপা অমগা নুংশি নুংওলগী মরী লৈনৈ হায়বগীদমক্তা ইজরেলি-খৃষ্টিয়ন নুপা অমনা মহাক্কী মশা ইনখৎলক্লিবী মচানুপীবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা হায়রি।

মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়খি মদুদি সামি কারা কৌবা চহী ৫৪ গী ইজরেলি-খৃষ্টিয়ন নুপা অদুনা মহাক্কী মচানুপীদু ইজরেলগী সেন্ট্রেল টাউন রামলেদা লৈবা মখোয়গী ময়ূমদা হাৎখিবনি। নুপীমচা অদু হায় স্কুলগী ইগজামদা পাস তৌরে হায়বা খঙলবা মতুং নোংমা লৈরগা হাৎখিবনি।

চয়োল অসিদা ইজরেলি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা ফাইল তৌখিবা ক্রিমিনেল ইন্দাইটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না খৃষ্টান নুপা অদুগী চহী ১৭ কী মচানুপী হেনরিটে কারা মহাক্কী অহল লমনশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা মুস্লিম নুপা অমগা মরী লৈনখি।

হৌখিবা মেগী অথেংবদা মপা মমানা কিহনবা অমদি থীনা তৌবদগী হেনরিটেনা ময়ূম থাদোক্তুনা চৎখি। মতম খরদি মহাক্লা মহাক্কী বোইফ্রেন্দগী মমাগা লৈমিন্নখি।

হেনরিটেগী ইমুংনা মহাকপু কিহন্দুনা অমসুং মহাক্কী বোইফ্রেন্দগী মমাদা ময়ূমদা হন্নবা প্রেসর পীহন্দুনা ময়ূমদা পুরক্লবা হোৎনখি।

ক্রিমিনেল ইনদাইটমেন্ট অদুদা মশক মমিং পন্দবা বোইফ্রেন্দ অদুগী মমানা কারাদা মতেং পাংনবা পুলিসতা হায়জখি। তৌইগুম্বসুং নুপীমচা অদুনা পুলিসকী মতেং লৌ হায়বা য়াখিদে। মহাক ময়ূমদা চৎলু হায়বসু য়াখিদে।

মথংগী থাদা হেনরিটেনা মমান্নবী অমগী ময়ূমদা লৈরিঙৈদা মহাক্কী মপাদু ময়ূমদা লাকখি অমসুং মঙোন্দা খুবাকনা থাদুনা কিহনবা হৌখি হায়না ইনদাইটমেন্ট অদুনা হায়রি।

‘হান্না জেলদা থমখিবগুম ঐহাক পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবা শেম-শারে’ হায়না সামি কারানা মচানুপীদা লাউখি হায়রি।

সোসল ৱার্কর অমগা পুন্না মীফম চথুরবা মতুংদা হেনরিটে নুমিৎ নীনি লৈরগা ময়ূমদা হল্লকখি।

হেনরিটেনা নোংমা মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমদা মহাক ইস্লাম লাইনিং লম্বী চৎলগনি হায়রুবদগী ৱাফমদু মীওইদুনা মহাক্কী মপাদা তমখি। পাউদু তাবদা অশাওবনা থুমহৎলবা সামি কারানা ময়ূমদা চৎখি অমসুং থাঙ অমা লৌরগা মচানুপীবু অহুল্লক থিন্দুনা হাৎখি হায়না ইনদাইটমেন্ট অদুদা পনখি। নুমিৎতুগী অথেংবদা কারা পুলিসনা ফাখি।



# মালালা য়ৌশফজাইনা নোবেল পিছ ফংখ্রবা লিয়ু সিয়াওবো শিখিবগা মরী লৈননা চাইনাবু কন্দেম তৌখ্রে





অবুজা, মাইদুগুরি জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

নোবেল লোরিয়েট মালালা য়ৌশফজাইনা মহাক্লা মান্ননা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা চাইনাগী ডেমোক্রেসিগী এক্টিভিষ্ট লিয়া সিয়াওবোদা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা চথুখিবা থৌওংশিংবু কন্দেম তৌখ্রে।

লিয়া সিয়াওবোনা হৌখিবা চয়োলদা জেলদা লৈরিঙৈ মনুংদা লিভর কেন্সরনা নাদুনা শিখিবা মতুংদা য়ৌশফসাইনা চাইনাবু কন্দেম তৌখিবনি।

মশাগী চহী ৬১ শুরবা লিয়ু চাইনাদা পোলিটিকেল রিফোর্ম কয়া পাক শন্না পুরক্লবা তকশিনখিবা “চার্টর ০৮” হায়না খঙনবা পিটিসন অমা ইবদা মতেং পাংখিবগীদমক্তা কুমজা ২০০৯ দা চহী ১১ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীখিবনি। মঙোন্দা ষ্টেট পৱার শিংনগদবা ঈহৌ শাগৎপগী মরাল শিখি।

কুমজা ২০০৯ দা লিয়ুবু জেলদা থমখিবনা মহাক ২০১০ দা পীখিবা নোবেল পিছ প্রাইজ অদু লৌবা ঙমখিদে। মহাক ষ্টেটনা ফাদুনা থল্লিঙৈদা শিখিবা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংবা অনীশুবা মীশকনি। অহানবা অসিগুম্বা মীশক্তি জর্মনিগী কার্ল ভোন ওসিসকিনি। মহাক কুমজা ১৯৩৮ দা ষ্টেট কষ্টদিদা লৈনা লৈনা শিখি। লিয়ুগী লোয়নবী লিয়ু সিয়া হৌজিক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি। ‘মীয়াম্বু মনীং মখা তম্না লৈহন্দবা গভর্নমেন্ট খূদিংমক ঐহাক্না কন্দেম তৌই হায়না মশাগী চহী ২০ শুরবী পাকিষ্টানগী ইদুকেসন এক্টিভিষ্ট য়ৌশফজাইনা হায়খি। মহাক কুমজা ২০১২ দা টালিবানগী গনমেন অমনা মকোক্তা কাপখিবা মতুংদা মীয়াম্না খঙনরকখিবনি। নাইজিরিয়া খোঙচৎ অমদা লৈরিবা য়ৌশফজাইনা লৈবাক অসিগী অৱাংনোংপোক থংবা সিটিদা মাইদুগুরিদা লৈবা স্কুল অমদা রোইটর্জকী ইন্টরভিয়ু অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীশিংনা লিয়ুনা তৌরম্বা থবকশিংগী মতৌ তম্নরক্কনি অমসুং নীংতম্নবগীদমক্তা পূন্না লান্থেংমিন্নরক্কনি, মীয়ামগী হকশিংগীদমক্তা অমসুং মান্নবা মীৎয়েংগীদমক্তা থেংনরক্কনি হায়না মহাক্লা থাজবা ফোঙদোকখি।

য়ৌশফজাইগী নাইজিরিয়া খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি অফ্রিকাগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক অসিগী ইদুকেসনগী প্রোব্লেমশিংগী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবনি। লৈবাক অসিগী অঙাং মিলিয়ন ১০.৫ হেন্না স্কুল তম্বা ফংদনা লৈ। অসুম্না অঙাংশিংনা মহৈ-মশিং তম্বা ফংদবগী চাং মালেমদা লৈবাক অসিনা ইহেন হেন্দুনা লৈরি।

# লেবাননা সিরিয়াগী বোর্দরদা লালহৌবশিংদা এটেক তৌগদৌরি

বৈরুট, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

জিহাদিষ্ট গ্রুপশিং য়াওনা মিলিটেন্টশিংনা ওপরেসনশিং পাঙথোকপদা বেজ অমা ওইনা শীজিন্নরকখিবা সিরিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈ লমদমদা লৈবা এরিয়া অমদা আর্মিনা ওপরেসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংলদুনা হরিরিনা জুরাউদ অর্সাল এরিয়াদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ওপরেসন অদু চেকশিন্না ষ্টদি তৌরে অমসুং গভর্নমেন্টনা আর্মিদা নীংতম্না থবক তৌনবগী অয়াবা পীখ্রে হায়খি।

সিরিয়া অমসুং লেবাননগী মরক্তা লৈরিবা চীংগী লমদমগী মরু ওইরিবা লৈহাও চেন্দ্রবা লম জুরাউদ অর্সালবু সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা শরুক য়ারিবা লালহৌবশিংনা মখোয়গী ওপরেসনশিংগী বেজ অমা ওইনা শীজিন্নরকখি। মফমদুবু বেজ ওইনা শীজিন্নরিবা লালহৌবা গ্রুপশিংদুগী মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং হান্না নুশরা ফ্রন্ট হায়না খঙনরম্বা গ্রুপকী জিহাদিষ্টশিং য়াওরি।

রাইটস গ্রুপ এম্নেষ্টি ইন্টর্নেসনেলনা আর্মিদা এরিয়া অদুদা ওপরেসন চথুবদা কা হেন্না ফোর্স শীজিন্নদনবা তকশিনখি। মফমদুদা কৃক কৃক ইন্ননা শাদুনা লৈরিবা কেম্পশিংদা সিরিয়ন রিফ্যুজীশিং লৈরিবনি। ঙমখৈ লম অদুগী সিরিয়াগী মায়কৈ থংবা শরুক্তা লালহৌবশিংগী মায়োক্তা অচৌবা ওপরেসন অমা মতিক ময়াই কল্লবা লেবানিজ গ্রুপ হেজবোলা অমসুং সিরিয়ন আর্মিনা পাঙথোরকপা য়াইহায়না হান্নদগী থাজনদুনা লাকখিবনি।

# ভিদিওদা মিনিস্কর্ট শেৎলগা চৎপা উবা সাউদি নুপী অমা পুলিসনা ফাগৎখ্রে

দুবাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):

সাউদি নুপী অমা কিংদম অসিগী অকনবা ফীজেৎ-চাকচেৎকী চৎনবী থুগায়দুনা মিনিস্কর্ট অমসুং ক্রোপ টোপ অমা শেৎ-চারগা কোইচৎ চৎলম্বগী-দমক্তা পুলিসনা ফাখ্রে।

মশক মমিং তাক্তবা নুপী অদু লৈবাক অদুগী কঞ্জর্ভেটিভ দ্রেস কোদকা তায়োন্নবা কা হেনবা ফিজোলশিং শেৎতুনা চৎলম্বগীদমক্তা কেপিটেল রিয়াধতা পুলিসনা ফাখিবনি হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি। পুলিসনা নুপীদুগী কেসতু পব্লিক প্রোসিক্যুটরদা শিন্নখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা চেন্নেল অল-একজারিয়াগী ওফিসল ত্বিটর একাউন্টতা পনখি।

নুপীদুনা ফিজোলশিংদু শেৎতুনা চৎপগী ভিদিও অমা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তগী মীয়াম্না পাক শন্না য়েংনরকখি। মহাক ভিদিও অদুদা কনামক্তা লৈতবা অরিবা মতমগী লানবন অমগী অকোইবদা মিনিস্কর্ট অমা শেৎলগা চৎপা উৎখি।

ভিদিও অদুবু য়েংনখিবা মীয়ামগী মরক্তগী মহাকপু ফাননবা ত্বিটরগী খুথাংদা তকশিন্নরকখি। মখোয়না নুপী অদুনা সাউদিগী ফিজেৎ-চাকচেৎকী রুলশিং অতাক-অফোংনবা মওংদা খোঙ্গাওনরে হায়খি। সাউদিগী অকনবা ফিজেৎ-চাকচেৎকী চৎনবী মতুংইন্না কিংদম অদুদা লৈরিবা নুপীশিংনা (ফোরেনরশিংসু য়াওনা) অবায়াস হায়না খঙনবা শাংনা চেনবা, অকোম্বা ফিজোল অমা শেৎকদবনি। সাউদি নুপী অয়াম্বনা মকোক অমসুং মমায়সু কুপশিন্নৈ। লৈবাক অসিদা মীয়াম্না সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা অনিংবা অপাম্বা অমসুং পেন্দবশিং ফোঙদোক্লবগী অকনবা চৎনবী লৈ।